# চোঙথোক চোঙশিনগী কুম্মৈ লোইশিল্লসে

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

ঙসি ঐহাক্না টাইব্রান হায়রিবা ঈথৎ অসিদা চহী ২৪ হেন্না লৈরকপা অসিদা কনাগুম্বা কেন্দিদেট অমনা মহাক্কী পোলিটিকেল পার্টি অমদগী অতোপ্পা পার্টি অমদা চোঙশিন্দুনা ইলেক্সনদা কেন্দিদেট অমা ওইনা ভোট লেপ্পা হায়বসি শুপ্নগী থৌদোক অমা ফাওবা তাদ্রি। হোয়, মরু ওইবা মেম্বরশিংনা মতম মতমগী ওইনা অমা/অনী পার্টি অদুগী আইদিওলোজি দা য়ানীংদে হায়দুনা তোক্তুনা অতোপ্পা পার্টি অমদা য়াওখিবদি থেংনৈ। অদুবু কেন্দিদেট অমনা মহাক্কী পার্টি অদু থাদোক্তুনা চোঙশিল্লিবা পার্টি অদুগী কেন্দিদেট অমা ওইনকা ভোটকা লেপ্লকপদি ঙসি ফাওবা তাখিদ্রি, থেংনখিদ্রি। মসিনা তাকপদি পার্টি মেম্বরশিংসু, কেন্দিদেটশিংসু মখোয় মখোয়না য়াওরিবা পার্টি, পার্টি অদুগী আইদিওলোজি অদু য়াম্না লূম্না, লুনা লৌই হায়বদু তাকপনি। পার্টিগী আইদিওলোজি ইন্দুনা চৎপনা মশা মশাগী কান্নগদবা য়েংদুনা পার্টি অমদগী পার্টি অমদা চোঙথোক চোঙশিন তৌবসি য়াম্না ইকায়নৈ, তৌনদে টাইব্রান হায়রিবা লমদম অসিদদি।

অদুবু ঐখোয় ইরমদম মণিপুরদদি ভোট হেক লোইবা নোংঙানবদা অদুম হৌরে চোঙথোক চোঙশিন তৌবা। মদুসু মেম্বরকা নত্তে, কেন্দিদেটশিংনি। করম্বা কেন্দিদেটশিং - পার্টি অমদা ভোট কারগা অতোপ্পা পার্টি অমদা চোঙশিল্লিবা কেন্দিদেটশিং। অঙকপা কুম্মৈনি। ঐখোয় ইরমদমদদি তুংদা চীফ মিনিষ্টর ওইবা য়াবগী পার্টি অমগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইনসু পুরিবা মীশক ফাওবা মহাক্না থীনা থীনা চৈরম্বা পার্টি অদুদা চোঙশিনবা ঙম্মী। চোঙশিনবতা নত্তে মহাক্কী এম এল এদগীসু রিজাইন তৌরিবনি অদুগা মহাক্কী পার্টি অদুগী

মেম্বরশিপ্তুগীসু তোক্লিবনি। অসিগুম্বা মীওইশিং অসিদগী হৌরগা আ মখাদা লৈবা ফাওবা চোঙথোক চোঙশিনগী কুম্মৈসিদা খোঙদারি। মখোয়দা করিগীদমক চোঙলিবনো হায়না হংবদদি লৈকায়গী, খুঙ্গংগী, মখোয় মখোয়গী কন্সটিট্যুএন্সিশিং অদুগী তুংগী খন্দুনা চোঙবনি হায়রি।

মতাংসিদা থমজনীংলিবদি মখোয়না চোঙলমদাইদা মখোয় মখোয়গী কন্সটিট্যুএন্সিদা লৈরিবা মীচম মীয়ামদুগা চোঙলমদাইদা উনদুনা, ফম্মিন্নদুনা অফ-ফত্ত খন্নবরা, তানবরা হায়রগদি মদুমা শুকয়াও য়াওদ্রে। মখোয়না তানবা, উনবা হায়ববু মখোয়না চোঙশিনগদৌরিবা পার্টি, মরু ওইনা লৈঙাক পায়রিবা পার্টি অদুগী মকোকশিংগা লোয়নন্না উনদুনা শেল কয়াম পীবিগনি, করি ফম পীবিগনি, করি কান্নবা ফংগনি হায়না খন্নবা, তানবা অদু খক্তনি।

চোঙথোক চোঙশিনগী কুম্মৈসিদা লুচিংবশিং অসিগী মতুং ইনবশিংসু য়াওরি। মখোয়সু মীয়ামগা তানদুনা চোঙবা নত্তে। মখোয় মখোয়গী মশাগী কান্নবা খক য়েংদুনা চোঙলিবনি। মদুসু লৈঙাক পায়রিবা পার্টি অদুদা চোঙশিনবা। মসিনা তশেংনা তাক্লিবদি মখোয় মখোয়গী কান্নবা য়েংদুনা চোঙবদা মশা মশাগী ঈকাই খুম্নবা অমদি পার্টিগী আইদিওলোজিনচিংবদি পুমকাউ কাউখ্রে হায়বা অসিমদি য়াম্না থাঙ্গৈ শেংলে হায়বনি। মকোক থোংবশিংনা চোঙলবদি মশানা তাবনি তুং ইনবশিংসু মতুং ইন্দুনা চোংবা হায়বসিদি। মদুনবু অফবা, অশেংবা লুচিংবা খনবা হায়বসি অসুক্কী মতিক লুনা অমদি লূম্না লৌনরিবনি।

লাউনরি অফবা, অপূনবা, চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরকসি, শেমগৎসি হায়না মীপুম খুদিংমক ইরমদমসিদা। অদুগা থবক ওইনদি কয়া পাঙথোকপা ঙম্নদে। অসিগুম্বা লুচিংবশিং অসি খল্লুবনা ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইনা মাঙদা চঙশিনবা ঙমদ্রিবনি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না য়ানরবা ৱাফমনি।

মরম অসিনা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদা অনৌবা, অহোংবা, অফবা, অপূনবা, চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরকসি হায়রবদি খ্বাইদগী অহানবদা অশেংবা, অফবা লুচিংবা খনবা অসি মথৌ য়াম্না তাই। অশেংবা, অফবা, মরমদমবু তশেংনা নুংশিবা লুচিংবশিং খনবা হৈত্রিবমখৈ ঐখোয়গী খুন্নাই মাঙদা চঙশিনবা ঙমখিরোই। অশেংবা, অফবা, মরমদমবু তশেংনা নুংশিজবা লুচিংবা খনসি হায়রবদি অহানবদা ইলেক্সনগী মতমদা চোঙথোক চোঙশিন তৌবা কেন্দিদেটশিং অসি লৌথোকখিবা মথৌ তাই। করপসন হৈবা, নমথাক তৌবদা, শেল চাবদা, ওইদবা ঙাঙবদা চোকথবা-হালেংবা লৈত্রবা, মশা মশাগীতা খন্দুনা চোঙথোক চোঙশিন তৌখিবা, তৌবা কেন্দিদেটশিংদি হন্দক লাক্লিবা কুমজা ২০২২গী ইলেক্সন অসিদদি মরূ ফংনা মুখৎপা মথৌ তাই। মখোয়গুম্বশিং অসিগী মহুত্তা নৌনা চোঙথোরক্লিবা নহা ওইরিবা কেন্দিদেটশিংদা ভোট থাদদুনা অনৌবা, অহোংবা, অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবা হোৎনরসি।

অনীশুবদা, শেল চাইখাইদুনা ভোট লেপ্পা মীরেপশিংদা ভোট পীবা তোক্লসি। মদুগী মহুত্তা শেলদি লৈজদবা অফবা লুচিংবা ওইরক্কদবা কেন্দিদেটশিং অদু ওইনা শৌগৎতুনা ভোট কাহন্দুনা লুচিংবা ওইহনসি খুন্নাই অসিগী তুংগী খন্দুনা। মরম অসিনা ইলেক্সনদা শেল লৌবগী অমদি শেল পীবগী কুম্মৈ অসি মুখৎপা মথৌ তাই।

অহুমশুবদা, ইলেক্সন শেংনা পাঙথোক্লবা মীয়াম্না, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা য়েংশিনগদবনি। য়েংশিনদ্রবদি পাল্লি পাল্লিবা লৈঙাক অদুনা শেল, মসল পৱর অমদি গন পৱর শীজিন্নদুনা মখোয়না পামজবা কেন্দিদেটশিং কাহনখিনবা হোৎনরক্কনি। অসিগুম্বসি দেমোক্রেসিগী লমচৎ নত্তে। মসি মীয়ামতনা থিংবা ঙমগনি।

করি মরমগী নহা ওইরিবা লুচিংবশিংসি খনবা মথৌ তারিবনো হায়রগদি অহল ওইরবা শেল চাবদা, নমথাক তৌবদা, ওইদবা ঙাঙবদা হৈনরবা লুচিংবা শাবা কেন্দিদেটশিং অসিদি শেমদোকপা য়াররোইদবা কেন্দিদেট ঙাক্তা ওইবননি। মখোয়দি শেমদোকপদা য়াররোইদবা হৈনবীদো মখোয়গী ঈ তোংদা চুদুনা লৈখিবননি। মসি খঙনা খঙনা মখোয়না ইলেক্সন কয়াদা শেল খরা খরা য়েনবদুদা মিতাদুনা, শেলগী লাংদা থুহনবদো হন্দক্তি মদুদগী লাপথোক্লসি। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী কান্নবদা করিগীদমক ঐখোয়গী ইচা ইশুশিংগী তুংগী পুন্সিবু অৱাফমদা হুম্থগদৌরিবনো। ঙসি ৱারবসু ৱানা শেমদোকহৌবা অসিনা তুংদা ইচা ইশুশিংনা ঈংনা তপ্না হিংবা ঙমজগদৌরিবনি। হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদসু হান্নগুম শেল খরগী লাংদা ৱান্থদুনা অমদি লৈঙাক্না তৌনীংবা মওংদা ইলেক্সন পাঙথোক্তুনা মতিক চাদবা কেন্দিদেটশিং অমুক থাগৎলবদি ঐখোয়গী খুন্নাই লুপখ্রগনি অকনবা ঈপাক্কী ঈরৈনুংদা। ঐখোয়গী খুন্নাইনা মাঙদা চঙশিন্দুনা চাওখৎপা নৎত্রগা অচৌবা, অকনবা ঈরৈনুংদা লুপখিবা ঐখোয়গী খূত্তা লৈবনি হায়বসি কাউফদে ইরৈচাশিং। ●

# সেপ্টেম্বর থানা লাকপদা - লময়ানবা ইরাবত মীরোৎ তাহনখিবা

- ডা. এম নরা -

কুমজা ১৯৪৭কী ইন্দিয়ানা নীংতম্বা মতুংদগী মণিপুরদা অনৌবা অহোংবা কয়া য়াম্না থুনা লাকখি। নিখিল মণিপুরী মহাসভাগী চীংঙাদা ফমখিবা সেসন্দা ইরাবতনা সভাপতি ওইদুনা য়াম্না মরু ওইনা লৌখিবা ৱারেপশিং অদুদি নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাদগী হিন্দু হায়বা ৱাহৈ লৌথোকখিবা, আইন সভা লিংবা (ষ্টেট এসেমব্লি), প্রজানা খঞ্জবা মীহুৎনা সাসন তৌহনবা, খুঙ্গংশিংদা স্কুল অমসুং লায়েংশঙ লিংবা হায়রিবশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা প্লান তৌবা হৌরক্লবা মতমনি। ইন্দিয়াগী মফম অতৈদা ইলেক্সন তৌদ্রিবা মতমনি। অদুগা মণিপুরদদি মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ চৎনহন্দুনা মণিপুর কন্সটিট্যুএন্ট এসেমব্লি লিংদুনা সিট ৫৩ লৈবা আইন সভাগী ইলেক্সন কুমজা ১৯৪৮গী জুন অমসুং জুলাইদা পাঙথোকখি।

ইলেক্সন অসিদা শরুক য়াখিবা পোলিটিকেল পার্টি অমসুং মখোয়গী মীখলসিদা মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিং :-

| | |
|---|---|
| মণিপুর ষ্টেট কোংগ্রেস | - ১৪ |
| হিল এরিয়াজ | - ১৮ |
| প্রজা শান্তি | - ১২ |
| মণিপুর কৃশক সভা | - ৫ |
| সোসিয়েলিষ্ট পার্টি | - ৩ |
| নিংথৌগী নোমিনি | - ১ |
| অপূনবা | - ৫৩ |

নিংথৌগী নোমিনিদি মহারাজ কুমার প্রিয়োবর্তনি অমসুং মহাক্না লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টরসু ওইখি। অদুগা ইলেক্সন্দা মায় পাক্লক্লবা মেম্বরশিং ৱাশক লৌদুনা হৌনবী ওফিসল ওইবা থৌরমশিংদি চহীদুগী ওক্টোবর ১৮দা পাঙথোকখি। হিজম ইরাবতনা লুচিংবা কৃশক সভাগী মীখলদা মায় পাক্লক্লবা কেন্দিদেটশিংদি - (১) হিজম ইরাবত সিংহ - উৎলৌ এ সী (২) অয়েকপম অঙাহল সিংহ - নম্বোল (৩) থোকচোম শ্যামো সিংহ - ককচীং (৪) মাইমোম মধুমঙ্গোল সিংহ - শগুম্বং (৫) তখেৎলম্বম বোকুল - পাঙ্গৈ (দেপ্যুটি স্পিকর ওইখি)।



মতাং অসিৱাইদদি ইন্দিয়াগী ওইনা ইলেক্সন তৌদ্রি, কুমজা ১৯৫২দগীনি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন চৎনদুনা অহানবা ইলেক্সন তৌখিবসি। সরদার বলবভাই পটেলনা হোম মিনিষ্টর ওইদুনা ইন্দিয়াগী অপূনবা শক্তম অমা শাগৎনবা হোৎনরকপগী মনুংদা ষ্টেট কয়া রিওর্গনাইজ তৌরকখি অমসুং অৱাং নোংপোক্কী ওইনা অপিকপা ষ্টেট খরা পুনশিন্দুনা পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ অমা শেম্নবগী প্রষ্টাব লাকখি। মদুদি মণিপুর, ত্রিপুরা, লুসাই পাহার (ঙসিগী মিজোরাম) অদুগা অসামগী বরাক ভেল্লি পুনশিল্লগা শেম্বা, কোনুংনা শিলচরদা ওইগদবা। প্রষ্টাব অসি মণিপুর ষ্টেট কোংগ্রেসনা অয়াবা পীখি। সোসিয়েলিষ্ট পার্টিনদি অসামগী দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা লৈহনবা পামখি। তৌইগুম্বসুং ইরাবত অমসুং মহাক্কী কাঙবুনদি পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্বদা মণিপুর শুকয়াও য়াওফম থোক্তে, হান্নগী চহী চা কয়াদগী লৈরক্লবা চীং অমসুং তমগী শক্তম অসি অসুম লৈগদবনি হায়বা দাবীগা লোয়নন্না প্রোটেষ্ট তৌরকখি। মরমদি পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্বদা মণিপুর য়াওখ্রবদি ঐখোয়গী চংনবী নাৎ, কলচর অমসুং লোল মাঙখিগনি। হায়রিবা মতম অসিদি ইরাবতকী লমজিং মখাদা মণিপুরদা কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ফোর্মেল ওইনা ওগষ্ট ২৩, ১৯৪৮দা লিংখৎলে। অদুগা সেপ্টেম্বর ২১দা পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্বগী মায়োক্তা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন্দা পব্লিক মীটিং অমা শিনখি। মণিপুরগী মফম কয়াদগী মরু ওইনা লৌমী মীয়াম লাক্তুনা মীটিং অসি মপূং ফানবা হোৎনখি। লম্লাই মায়কৈদগী লৌমী মীয়াম বেন্দ পার্টিগা লোয়নন্না পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্বা য়ারোই হায়বগী খোল্লাউ লাউদুনা হৌরকখি। খোঙচৎ অদুনা পুংদোংবম য়ৌরকপা মতমদদি লৈঙাক্না পুলিস থারক্তুনা মীয়ামদু থিংনবা হোৎনখি। ও সী নরানবাবুনা লুচিংবা পুলিসকী টিম অদুনা ময়াম্বু চৎপা য়ারোই হায়দুনা থিংবদগী মুক্লবা অমা থোক্তুনা শাওনরকখি। ওসীনরানবাবুনা মহাক্কী রিভোলভর পুথোক্তুনা কিহল্লকপদগী ময়াম অদুনা চোঙশিল্লক্তুনা নোংমৈদু মুন্নরকপদগী কাপথোরকপদা মথবাক্তা পান্দুনা খুদক্তা শিখিবদগী অচৌবা ৱাথোক ওইখি। পাউ অসি হেক ফংবদা ৱা ঙাঙগদবগী ঙাইদুনা লৈরিবা ইরাবত শোয়দনা ফাবা লাক্লগনি খঙখি। মরম অদুনা মাগী নক্লনা লোয়নবা কমরেদ খরগা তানরগা সাইকল তোংদুনা নম্বোল মায়কৈরোমদা লোৎপা হৌরকখি। অশেংবমকসু নুমিৎ অদুদগী হৌনা ইরাবতপু ফানবা ৱারেন্ট ইস্যু তৌরকখি। নুমিৎ অদুদগী হৌদুনা ইরাবতপু লৈঙাক্না নমদুনা মীরোৎ তাহনখি। অদুবু ঐখোয় পূম্নমক্না খঙমিন্নগদবদি থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা ইরাবত মহাক্কী অরোইবা মিৎকুপ ফাওবা মীরোৎ ওইনা লৈখ্রবসু মহাক্কী দাবীদি ফংখি - মণিপুর ঙসি ফাওবদি তেক্তা কায়দনা চীং অমসুং তমগী অপূনবা শক্তম ঙাক্তুনা লৈরি। মীশি-মীনা থোক্তুনা অন্দলোন কন্না তৌরবনিনা প্রস্তাব অসি হায়বদি পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ (নোর্থ ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র প্রোভিন্স) শেমগনি হায়দুনা থৌরাং তৌরম্বদু লৈঙাক্না হন্দোকখি। মরম অসিনা চহী খুদিংগী ওইনা সেপ্টেম্বর ২১ অসিবু ইরাবতনা লিংখৎপীরম্বা লৌমীগী লূপ অমসুং কম্ম্যুনিষ্ট পার্টিনা ‘মণিপুর কনবা নুমিৎ’ হায়দুনা ওবজার্ভ তৌই।

কুমজা ১৯৪৮গী ওক্টোবর ১৮দা ওফিসল ওইনা ইলেক্সন্দা কারক্লবা কন্সটিট্যুএন্ট এসেমব্লিগী মেম্বর ৱাশকপা মতমদা ইরাবত ফানবা ৱারেন্টতু লৌথোকউ, মহাকপু ৱাশকপা য়াওহল্লু হায়বা লৈঙাক্তুনা য়াখিদে। মমৈথংদা মহাক্কী ফমদু হাঙলে হায়দুনা লাউথোকপগা লোয়নন্না ভোট অমুক হনখি। য়াম্না নুংঙাইখিবদি ইরাবতকী মহুৎ খনবদুদা বাই ইলেক্সনদু মহাক্কী পার্টিগী কমরেদ খুমুকচম কুবেরনা কাখি। মহাকসু নোংমতা এসেমব্লি ফম্বা ফংদনা মীরোৎ তাখি। ইরাবতকী হাংলবা ফম্ফম অদুদা অতোপ্পা মীওই অমত্তা ফমহন্দবা হায়বা পার্টিগী ৱাশক অদুদি কায়হন্দনা ঙাকপা ঙমখি। অতোপ্পা পাউ অমনা মতম শাংনা ইরাবতপু হিংনা নৎত্রগা শিনা ফারকপা ঙম্বা মীওইদা মনা পীবগী ৱারেন্ট অদু শ্রী ৱাহেংবম নীপামচানা চীফ মিনিষ্টর ওইবা মতমদা ককথৎখি। অসিদসু নত্তনা ইন্দিয়া লৈঙাক্নসু ইরাবতকী চহী ১০০ শুরকপগী কমেমোরেতিভ ষ্টাম্পসু পুথোকখি। পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্বদা মণিপুর য়াওবা য়ারোই হায়বা অমসুং মণিপুরগীদমক্তি পুর্ন দায়ত্বশীল সাসন হায়বদি ফুল রেসপোন্সিবল গভর্ণমেন্ট লৈহনগদবনি হায়বা শাংনা উবা মীৎয়েংগা লোয়নন্না লেপ্তুনা অমদি হনবা নাইদনা থেংনরকখিবা থৌনা অমসুং কৎথোকখিবা পূম্নমক অদুগীদমক ইকায়খুম্নবা ওইনা কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন্দগী হিয়াংথাং ফাওবা চৎলিবা হান্নগী ময়ায় লম্বী হায়না খঙনবা লম্বী অসি ইরাবত রোদ হায়না মমিং থোনবীখ্রবনি।

ইরাবতপু মীরোৎ তাহন্দুনা লৈরিঙৈ অমদি ফানবা হোৎনরিঙৈ অসিদা তঙাইফদনা পুলিসকী খূৎতা তাহন্দনবা বর্ম্মাদা থৈবা তারকখি। মরম অদুনা নহা ওইরিবা কমরেদশিং - লোংজম জানেন্দ্র, থাংজম বাবুনচিংবা খরগা লোয়নন্না বর্ম্মাদা লোৎখি অমদি কুমজা ১৯৫০গী সেপ্টেম্বর ১১দা বর্ম্মাদা থুংখি। বর্ম্মাগী কম্ম্যুনিষ্ট পার্টিসু অন্দরগ্রাউন্দদা গ্রুপ ৩ থোক্লা লৈরমই। ইরাবত অমসুং বর্ম্মাগী কম্ম্যুনিষ্ট লিদর কমরেদ থাকিন থান্না কন্না হোৎনমিন্নদুনা য়াশিন্নখি। অদুবু মীরোৎ ওইনা লৈবনি, জঙ্গলগী পুন্সিনি, অহল ওইরকপনি, মশা ঙল্লকখিদে, লায়েংবগী খুদোংচাবসু লৈতে। মনুং মতম চাদনা লৈখিদে, বর্ম্মাগী তাংবো খুন্দা অরোইবা য়াহিপ তানখি। বর্ম্মা কম্ম্যুনিষ্ট পার্টিনা নোংমৈ কুনমাথোইরক কাপ্তুনা রেদ সেল্যুট তৌরগা অরোইবা বিদায় পীখি। মহাক্কী মোংফমথক্তা পিল্লর অমা য়ুংখি। মদুদা অসুম্না ইরি - Com. I. Singh died on 26th September, 1951 “কমরেদ আই সিংহ সেপ্টেম্বরগী তাং ২৬, ১৯৫১দা লৈখিদ্রে”।. ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ‘রুপরাগগী সনা লৈবাক মণিপুরনা ষ্টেট সোং ওইরকপদা’

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

হন্দক মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট, মরু ওইনা ইকায়খুম্নজরবা শ্রী নোংথোম্বম বিরেন, চীফ মিনিষ্টরনা কেবিনেট মীফম কৌবীদুনা ষ্টেট সোংগী মতাংদা খন্নবিবদা রুপরাগগী ঈশৈ অহুম্বু ষ্টেট সোংগী ষ্টেটসতা পুখৎপীখিববু থম্মোয় শেংনা থাগৎচরি। ঈশৈ অহুম অদুদি -

১) অনৌবা যুগকী অনৌবা আশা - অইবা - খুরাইজম ফুলেন্দ্র।
২) হো ইমা পোক্লফম ইমা - অইবা - বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা।
৩) সনা লৈবাক মণিপুর - অইবা - বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা।

ঈশৈ অহুম্মক্কী শৈবানবা - অরিবম শ্যাম শর্ম্মানি।

ষ্টেট সোং ওইনা খনবিরবা ঈশৈ ‘সনা লৈবাক মণিপুর’ হায়বসি চহী ৫৫ মুক্কী মমাঙ হায়বদি কুমজা ১৯৬৭তা রুপরাগনা রেদিওগী থোঙদা লাম্থোকখিবা ঈশৈনি। রেদিওদা অইবগী মিংদি লাউথোকই। শৈবানবগী মীংদি লাউথোক্তে। থাগী ঈশৈদদি লাউথোকপসু থেংনজৈ।

শৈবানবগী মতাংদা চয়েৎনবা অমা থোক্লবা হোৎনবিবা অসি তৌবিদবা ফৈ। ঈশৈ অসি কনানা শৈবানবনো হায়বসি ঈশৈ অসি শকখিবা কাঙবুনদি খঙই। শকখিবশিংদি - এ শ্যাম শর্ম্মা, এন পহাড়ী, এ বুধচন্দ্রনি অদুগা নুপীদনা তম্ফামনি, অয়েকপম ছবিতা অমদি ঐ ইশামকনি। ঐগ্যা শ্যাম শর্ম্মানা শৈবানবনি, তম্বীবনি। রুপরাগগীদমক্তদি অয়াম্বা ঈশৈ ঐখোয় পূম্নমক্কী গুরু শ্রী অরিবম শ্যাম শর্ম্মানা পানবীবা ঙাক্তনি। রুপরাগগী মতমগী ঈশৈদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না, মগুন লৈনা সুর পানবসি ঐগ্যা শ্যাম শর্ম্মানি। ঐখোয় পূম্নমক্না চাউথোকচরিবনি।

ঈশৈগী সুর অসি হোংদোকহন্নীংবগী ৱাফম ফোঙদোকপীরকপসু থেংনজরে। অদুবু রুপরাগনা চহী ৫৫গী মমাঙদা খঞ্জখিবদি, মণিপুরগী চীং-তমগী মীওই খুদিংমক্না য়াম্না লায়না শকপা ঙম্বা, কাঙলূপ অমখক্তগী সুর ওইদবা, ঈশৈ হৈবা-হৈতবা, অহল-নহা খাক্তনা শকপা ঙম্বা অদুগুম্বা সুরনি হায়না রুপরাগনা চেৎনা থাজজবা সুরনি। অদুবু পামদবা য়াওরকপগীদি ঐখোয়না করিসু হায়নীংঙাই লৈজদে। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা খনবীরকপনিনা।

অরোইবদা আকাশবানি ইম্ফালনা ঈশৈ অসিবু তেক্তা কায়দনা থম্বীরম্বগীসু থাগৎচরি অমদি অম্মিকনসু ঐখোয়গী ঈশৈ অহুম্বু খনগৎলগা থাগৎপীখি তাজবদা অসুক্কী মতিক নুংঙাইজে, হন্না হন্না থাগৎচরি। রুপরাগগী ঈশৈ অহুম্বু ষ্টেট সোংগী ষ্টেটসতা থম্বীখিববু রুপরাগনা মতম শাংনা লৈবাক্কী থৌগল তৌজরকপগী মহয়নি হায়না লৌজৈ। মণিপুর ইমাগী খুয়াদা খুদোল অমা কৎচবা ফংজবসে, মসিমুক নুংঙাইবা অমমুক লৈজদে।

*অদোমগী - চোংথাম কমলা*
*ৱার্কিং প্রসিদেন্ট, রুপরাগ*

50% LOAN
PAINTING FOR BUILDING
At Rs. 20/- sq.ft. for Building
At Rs. 17/- sq.ft. for School and Hospital
(Labour & Material)
15% Discount for Cash Payment
Please Contact : 7640845531
HL-P/6974/8,9,10

/ পাউজেঞ্জবা
লাক্লিবা তাং ১২-০৯-২০২১ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পূং ১০:০০ তাবা মতমদা শ্রীসাপম কুঞ্জকেশ্বর (কেবা) সিংহগী য়ূমদা ২০২২ ইংদা পাংথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিগা মরী লৈননা পাটশোই কেন্দ্রগী পোলিং বুঠ ৪৯ দা লৈরিবা ইলেক্সন কমিটিগী ওইবা মীফম অমা পাংথোকচগদৌরি।
মরম অদুনা ইকাই খুম্নজরবা/খুম্নজরবী পাটশোই কেন্দ্রগী পোলিং বুঠ ৪৯ দা লৈবীরিবা শ্রীসাপম কুঞ্জকেশ্বর (কেবা) সিংহগী ইলেক্সন কমিটিগী মীহুৎ খুদিংমক্না মতম চানা লেঙবীরক্তুনা শরুক য়াবিরনবা নোল্লুক্না পাউজেঞ্জরি।
পাউজেঞ্জরিবা: Election Commitee of
S. Kunjakeswor (Keba) Singh
19-Patsoi A/C
HL-P/6996/9

/ BANK PASSBOOK LOST
I have lost my Bank Passbook of SBI, Nambol Branch bearing A/c No. 35642753829 on the way from Oinam to Nambol on 06/08/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.
Sd/- Lourembam Sanjoykumar Singh
Oinam Mamang Leikai, # 8416070244
HL-P/6983/9

/ BANK PASSBOOK LOST
I have lost my Bank Passbook of SBI, MU Branch bearing Account no. 20184242349 on the way between SBI MU Campus and Konung Mamang on 6th September, 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.
Sd/- Moirangthem Kaminikanta Singh
Nongmeibung Seram Leirak
HL-P/6987/9

/ মাইক্রো ফাইনান্সশিংনা লোন পীবীনবা হায়জবা
মতম শাংনা কোভিদ-১৯গী কর্ফিয়ু লৈখিবনা থবক শুবা য়াখিদবা, শেন্দান লম্বী লৈখিদবনা মরম ওইরগা অৱাবা কয়া মায়োক্নরে। মরম অদুনা ঐখোয়গী অৱাবা অসি য়েংবীরগা অনৌবা করবার হৌজনবা মাইক্রো ফাইনান্সশিংনা লোন পীবীনবা হায়জরি।
হায়জরিবা : Centre Leader
Sougrakpam (o) Purnima Devi
Thoubal Nongangkhong,
Centre Name : Nongangkhong Imoinu Centre
HL-P/6985/9

/ LOST
I have lost my Admit Card and Marksheet of HSLC Examination, 2020 bearing Roll no. 24329 issued by BOSEM on the way between Sugnu Bazar and Sokom on 5/9/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.
Sd/- Justine Mowarngam Anal
S/o Kenning Anal
Sugnu Tribal, # 7005789628
HL-P/6984/9

MANIPUR UNIVERSITY
/ TENDER NOTICE
Dated 08th September, 2021
No. : MU/14/Project Cell/2021/Anthro : Manipur University invites sealed tenders from firms for supply of Equipments. Terms & Conditions for submitting the bids can be downloaded from the website www.manipuruniv.ac.in.
Sd/- Purchase Officer
Manipur University
Canchipur
HL-B/7138/9 Sept.

MANIPUR UNIVERSITY
/ TENDER NOTICE
Dated 08th September, 2021
No. : MU/14/Project Cell/2021/Biotech : Manipur University invites sealed tenders from firms for supply of Consumable items. Terms & Conditions for submitting the bids can be downloaded from the website www.manipuruniv.ac.in.
Sd/- Purchase Officer
Manipur University
Canchipur
HL-B/7137/9 Sept.

URGENT JOB NEWS
Government Regd. No. Kj/65(com.estt) of 2016
(First come & First Chance)

| Sl. | Name of Post | Salary | Post | Qualn. |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Airport Post Vacancy of Bangalore & Hyderabad. | | | |
| | i. Cargo Loader | 13,000 – with Bonus | 105 | X/XII |
| 2. | In Imphal Post Vacancy | | | |
| | i. Office reception/Data Entry | 50,000 – Above | 10 | XII/G |
| | ii. Security Guard / Ladies Guard | 6,000 – Above | 30 | VIII/X |
| | iii. Ex-Servicemen/Security Supervisor | 8,000 – Above | 20 | VIII/X |
| | iv. VIP-Security Guard/Gun man Guard | 45,000 – Above | 20 | XII/G |
| | v. A.C. Bus Driver/Heavy License | 9,000 – Above | 10 | VIII/X |
| | vi. A.C. Bus Ticketing staff (M/F) | 10,000 – Above | 05 | X/XII/G |
| | vii. Computer Operator/VIP Driver | 7,000 – Above | 10 | X/XII/G |
| | viii. Helper, Chowkidar/ Cook (M/F) | 5,000 – Above | 10 | VIII/X |
| | ix. Marketing Executive | 8,000 – 9,000 | 10 | G |
| | x. B.D.A./ Senior Operations Officer | 12,000 – 15,000 | 10 | G |
| 3. | Banking Sitting Staff Recruitment | | | |
| | i. Micro Finance C.R.O / Office Asst. | 8,000 – Above | 10 | XII/G |
| | ii. Micro Finance R.O./ Filed Officer | 5,000 –Above | 10 | X/XII |
| | iii. Accountant / Cashier (M/F) | 7,000 – Above | 05 | XII/G |
| | iv. Loan Officer/ Probationary Officer | 15,000-above | 10 | G/M |
| 4. | No deposit Work at Imphal | | | |
| | i. Office Managerial Staff | 8,000 – Above | 30 | X/XII |
| | ii. Accountant / G.S.T. with Tally | 10,000 – Above | 05 | XII/G |
| | iii. Local Driver | 7,000 – Above | 05 | X/XII |

Date of Submission : 16-09-2021
Date of Interview : 17-09-2021
Pliz Contact : +91 9774361669 / 8131087993
Office Hour : 10.00 a.m. to 4.00 p.m.
Please Contact & Concern
Emoinu Job Consultant
Keishampat Opp. CCpur Bus Parking
Near Poknapham Press Gate
HL-P/9641/7,9,11,13,14,15